HUEIYEN LANPAO

# হুয়েন লানপাও

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা শীন্দুনা সেলোই লংমাই চীংদা শাবা লাইয়িং-থৌ সনামহী কিয়োং হোংবগী থৌরম


লামায় ১

সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা কুমজা ২০০২গী ক্লাস টুয়েল্ব বেটচ, সীসীয়ান ফোরম ১৯৯৬-১৮ অমসুং নীংশিং মরূপকা খূৎশম্নদুনা অফবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম


লামায় ৩

নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখিবা সিনাম সুনিলাল মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্দ স্কুল অসিগী অফবা মহৈরোয়শিংদা খূৎশিন্নবগী থৌরম


লামায় ৩

য়াইথিবি লৌকোলদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি নৎতনা অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়না খোঙ-জং চঙশিনখিবশিং তানখায়নবা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্পদা শোক্লবশিং


লামায় ১


Vol. 43, Issue No.71 | নোংমাইজিং, ইঙাগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, June 09, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL Poll

Q: Manipur leingakki minister sing reshuffle tougani hairiba ashi achumba khongthangni khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Mapandagi pushillakpa heinousingna NIPAH virus infection shandokhallakpa yai hairibasi thajaningai oibra?

Yes 85% No 15%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.২৪ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৩

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- ওজাশিং ঙসিদগী কালেন ছুটি থারো!



- কালেন ছুটি অসি হৌজিক্তি ওজাগীদং তারে চুম্মী...!

---

রাম মাধবনা সী এম বিরেন অমদি মিনিষ্টরশিং উনদুনা ৱারী শাখ্রে, অথুবদা রিসফল তৌরবা য়ানা লৈরে

# এন পি পিগী ৪মক লৌথোক্লগা বিস্বজিৎতা দেপ্যুটি সী এম; এম এল এ রাজেন, সুরচন্দ্র, ক্ষেত্রি বিরেন মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী ৱাফম লাকপা অসি ৱাখৈননবা ইম্ফালদা ঙসি থুংলখিবা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ রাম মাধবনা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মিনিষ্টরশিং অমদি এম এল এশিং উনখ্রবা তুংদা নুমিদাংদসু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিংগা উনখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা


টি ঐচ বিস্বজিৎ


এস রাজেন


ৱাই সুরচন্দ্র


ক্ষেত্রি বিরেন

মিনিষ্টর রিসফল তৌরবা য়ানা লৈরে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মিনিষ্টর রিসফল তৌরকপা অসিদা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপদা য়াওরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার য়াওনা এন পি পিগী মিনিষ্টর মরিমক লৌথোক্লগা ৱর্ক্স মিনিষ্টর ওইরিবা থোঙাম বিস্বজিৎতা দেপ্যুটি সী এম, লমশাং এ সীদগী কারকপা বি জে পিগী এম এল এ, এস রাজেন, কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চঙলকখিবা ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র অমসুং লম্লাই এ সীগী এম এল এ ক্ষেত্রি বিরেন মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট এন পি এফকী এম এল এ অমখক হান্না মিনিষ্টর ওইহল্লম্বা অদু অতোপ্পা এম এল এ অমগসু নৌনা মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই। অদুম্মকপু কনা-কনাদা মিনিষ্টর পীগদগে হায়বসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা লেপথোকপা লৈত্রি।

পাউগী লীখুন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ঙসি নুমিদাং রাম মাধবনা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মিনিষ্টর ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োং হোংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): ফাউন্দেসন ফোর য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহী কলচর অমসুং লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা শীন্দুনা সেলোই লংমাই চীংদা শাবা লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োং হোংবগী থৌরম ঙসি মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরগী লোয়নবী নোংথোম্বম ওংবী হিয়াইনুনা হায়খি, লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োং হোংবা হায়বসি ইরমদমসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরমনি। সনামহী লাইনিং হায়বসি ইরমদম অসিদা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লাইনিংনি। লাইনিং অসিনা চৎন-কাঙলোন অমদি হিরম কয়াদা লমদমসিগী মশক তাক্লিবনি।

ইরমদমসিগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা লাইনিংথৌগী মফমদা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না ইরাৎ থৌনিবদসু খুদোংচাবা মফম পীরি। লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরল্লবশিং অসিবু ঙসিগী মীরোলনা ঈকায় খুম্নগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সনামহী থৌগল কাঙলুপকী এদভাইজর ...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-P/4134/7/5-5/6


# ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংলুরে, ৪ শোক্লে, ৯ ফাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) শাগনি হায়না তৌরম্বা ৪৪-য়াইথিবি লৌকোলদা এন এস য়ুগা মরী লৈনদবা, ফুদ পার্কনচিংবা অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়না মীয়াম হৌরক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লংথবাল খুনৌদা ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংলুরে। লম্বী থিংলম্বশিং পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্পুনা তানখায়বদা মীওই ৪ শোকখি অমসুং য়ুম অমা অকায়-অতোয় নংখ্রে। লম্বী থিংবগী খোঙজংদা শৌগৎপা মীওই ৯ পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী য়াইথিবি লৌকোল এরিয়াগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী শরুক ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লংথবাল খুনৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## / কচ্চবা

(নীংশিংলি ঙসিসু)



নীংশিংলি ইমাবু নোংমা কাংদনা নচা, নমৌ, নশু ঐখোয়না **অরিবম ওংবী থম্বাল দেবী**দা কচ্চরি ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং ইঙাগী ৭ নি পানবা, জুনগী তাং ৯ নোংমাইজিং নুমীৎ অসিদা। পলেম ইমানা থম্বীরবা হৈপাল-লৈপাল পূম্নমক য়েংলু-য়েংলুবদা মীৎফম হোংবা য়াদে পলেম। নোংমগী নুমীৎতা নচাগী পিরাং শীন্থদবা য়াওদেদো। পলেম নহাকসু শ্রীহরি নাক্তা লেংদনা ঈংনা-চিক্না লৈবীয়ুকো। লৌশিনবীয়ুকো তরাম্না নচা, নমৌ, নশুশিংনা ঙমজবা খরদং কচ্চরিবসে।

*নহাক্কী নচা,*
**অরিবম সুরেন্দ্রা শর্ম্মা**
থাঙ্গপাৎ মপান লাকপম লৈরক

HL-P/4366/9




HL-P/4294/9